# কুকিনা হোমলেন্দ তাল্লিবসি করিগীনো?

## (কুকিবু য়েলহৌমীনি হায়বা য়াব্রা? কোংগ্রেসকী মতমদা ‘সু’ চৎনহল্লম্লে, বি জে পিগী মতমদনা গেজেট এক্সত্রা ওর্দিনরি অমা সেপ্টেম্বর ২৩, ২০২২দা কুকি খুদিংমক য়েলহৌমীনি হায়রিবা অসি মীয়াম করি খল্লিবগে?)



— মুতুম শান্তি —

ঙসি লৈবাকসিদা থোক্লিবা থৌদোক অসিবু লোইবা নাইররোইদবা মওং অমা ওইনা চত্থরক্লি। মীশি মীনা থোক্তুনা ঈনা লৌখোঙ ওইনা চেল্লবসু ঐখোয়গী মীহুৎশিংনা তূমিন্না য়েংদুনা লৈরিবসিনা করিগীনো? মীতৈ তস্পাক্কী লমদা কুকিনা ঐখোয়গীনি হায়না ফিরাল য়ুংশিল্লে হায়রি। লৌফম কয়া লৌ উহনদ্রে। তস্পাক্কী মফম কয়াদা চীংদগী কুমথরক্তুনা মীতৈগী য়ূস্ফম কয়াদা কুকিশিংনা লৈতেম মান্ননা শেমদুনা লম কনবগী মওং অমা লাক্লিবসিনা করিগীনো? লৌফম কয়াবু কুকিশিংনা মখোয়গীনি হায়না লৌমীশিংবু লৌ উবা ঙমদ্রিবা কয়া অসিবু লৈঙাক্না অসুম য়েংদুনা লৈরিবসিনা করিগীনো?

হৌজিক ওইরিবা ফীভমসি তরাইনা লৌরিবা মওং অসিদি মীতৈ অসি মরূ ফংনা মূত্থৎলগে খল্লব্রা? চীংয়াগী খুঞ্জাশিং থবক অমত্তা শুদনা করি চাগনি, থক্কনি, করম্না হিংগনি হায়বগী ৱাহন্থোক লৈত্রে। রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিং তূস্ফম চাফম খঙদবনা কয়া নারকপদগী অশি অনা য়াওরক্লিবা কয়াসিবু কনাগী মাঙজবনো? কুকিনা নোংমৈ, বোম্না কয়া অমা হাত্তোকপীরে। অপীকপা অঙাং শিবা য়াওরক্লে। লৈবাক্তা ফক অমা থাদুনা তূল্লিবা মীওইবনা কয়াম কুইনা হিংখিগদগে? মীতৈ ঐখোয়গী পুন্সিসিবু শিবা ঙাইবা তারব্রা? বোম নোংমৈনা কাপশিন্দুনা শিবা অমনা চাফম, তূস্ফম খঙদনা ৱাশি শিবনা নোংমগী খোঙচৎ ওইহল্লি।

মণিপুরগী মীয়াম্না থম্মোয় শেংনা খঞ্জখিবা লৈঙাকলোয়শিং খক্তা নুংঙাইনা পানবীহৌবা য়ারব্রা? মীয়াম্না ৱারগা, শিরগা য়েংদুনা লৈরিবসিনদি অঙকপগী খুদমনি। মণিপুরগী ইতিহাসতা ময়েক লানা লৈহৌরগনি। মীতৈ মচাগী থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইরবা, তুংগী মীরোলনা পুৱারী ওইরগদবা নীংঙমদবা মৈরিনা চাক্তুনা হিংহৌরগদবা মীতৈগী পুন্সিনি। মে ৩দগী হৌরক্লিবা লাঞ্জংসিদা কনানা হৌরকখিবনো হায়বগী ৱাহংনা নমশিন্দুনা থম্বীরিবা করিগীনো? মালেম পূম্বদা অরানবা পাউনা মায়কৈ শিনবা থুংখ্রবা ফাওবা করিগী তূমিন্না লৈরিবা, করিগীনো? নখোয় মীতৈ মচা নৎত্রব্রা? করম্বা ঈয়ান্দগী ওনখিবনো? অচুম্ববু অরানবা তাহনবদা নখোয়গী থৌশিল ওইরিব্রা? নশাদা য়াওরিবা থৱায় অদুগী মফমদা অরানবা খক তৌগনু। থৱায় হায়বসিনা ঈশ্বরনি, হকচাং হায়বসিনা ঈশ্বর মাগী মন্দিরনি।

মীওইবগী থৱায় হকচাং অনীনা শেম্বীরক্লিবা মমল য়ামখ্রবা তাইবঙ মী হায়বসিনা করিগী মীনম্বা থবক তৌগনি। শোয়খ্রে, লানখ্রে হায়নবা হিংবা পুন্সি ওইবীগনু। মপূং ফাদবা, লৈবাক সাসন তৌবা হৈতবা, ইমা লৈবাক নুংশিবা ঙমদবা, মীওই অমত্তা মীহুৎ ওইগে খনবীগনু। ইকায়বা খঙদবা, মশাগী ওইজবনা মাঙ থাবা মীওই অমত্তনা মীয়ামদা মীনম্বা ঙাঙদুনা দ্রামা শান্নবীগনু। মীয়াম্নসু করম্বা মীওইনো হায়না কূপ্না নৈনবা চংই। ইলেক্সন মমাঙদা ভোট লেপকদবা মীওইশিং কেস লৈবা খুদিংমক পাউচেদা লাউথোরকখি। লাউথোকখিবগী ফল করিসু ফংখিদে। কেস চেন্নবা হায়বসিবু অফবা মীনী খল্লুরব্রা?

ঙসি ঐখোয়না ৱারিবা, ৱাশি শিরবা ইচা ময়ামগী অৱাবা তারিবা মমা ওইবী ঐখোয়গী মীৎতগী পি তারিবসি করিগীনো? কনাননো ঐখোয়বু হাত্তোকপীরিবা? কুকিশিংগী মতেং কয়াম লৌরবগে? নখোয় মশেল মীনম্বগী ৱারোলদা, মীচম মীয়ামদা তাইনহল্লিবা করিগীনো? মীচম মীয়ামগী করি মরালনো? মীচম মীয়াম্না থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা চীংয়াদা ইমা লৈবাক ঙাক্লি। নোংমগী অশিবগী পাউনা লেপত্রি। ঐখোয়গী তস্পাকলমগী মীহুৎশিংনা য়ূমদগী মপান থোক্তনা মচা-মশু চেকশিন্না কোন্দুনা, য়ূমগী অকোয়বদা সিফাই থমদুনা অহাওবা চাদুনা ফেন মখাদা পুন্সি লেল্লি। ৱাখলদি মীনল্লি। মথৌ মশক খঙদবা, ৱাশিন্নবা শাদুনা নোংমগী পুন্সি লেল্লিবশিং নখোয়গী খোঙফম অমা মালেমদা লৈখিগদ্রা?

হুইনা খোঙগদবদা গধানা খোঙবগী গধা চৈ চায় হায়বদুমক্লি। হুইনা কনানো? গধানা কনানো? ঙসিদগী হৌনা গধাগী মফম মরাং খঙদনা খোংবা তোক্লসি। থবক ওইনা উৎলসি। ৱা ঙাঙদনা থবক্না ফরে। মপূ নীংবা হুই ওইরসি ঐখোয় মীয়াম পূম্বা। হুইনা হুইনি, গধানা গধানি। শক্তমসু অমমমনি, ৱাখলসু, তৌথোরকপসু তোঙাল্লি। মপূ হায়বদি ইমা লৈবাকসিবু শেম্বীরিবা তাইবঙ শেম্বা মপূ মহাক্লি। হুই হায়বা প্রমান অসিনা মী অশিংববু খঙনবা থম্বীরম্বা অহল-লমশিংগী পাউরৌ-পাউতাকনি।

মীওইবা কয়াগী মরক্তা অশিংবনা নুংঙাইনা হিংলি, অপংবনা ৱানা হিংলি। অহল লম্মনগী পাউতাক পাউরৌদা মী অশিংবনা হুই ওইরি। মী অপংবনা গধা ওইরি। মীওইবা হায়রিবা জীব ঐখোয়দগী হেন্না ৱাখল খনবা ঙম্বা কনাসু লৈতে। মরম অদুনা অফবা ৱাখল খন্দুনা, অফবা থবক তৌবা ঙম্বা মী অমমম ওইরসি। হৌখিবা মতম কয়াবু হঙ্গৎনা য়েংলুবদা হল্লক্লরোইদবা পুন্সিগী কায়খ্রবা খোঙচৎপু নীংশিংলুরগা মীতৈ ঐখোয়গী তুংলমচৎকী লম্বী কদোমদনো? ৱাহংনা পীক থনবা ঙসিগী তাইবঙ হায়বদু ওইরি। থবক পূম্নমক থুগায়বদি অরায়বনি, শেমগৎপদি লুগদৌরি।

দেমোক্রেসিগী মরুমদা মী অমগা মী অমগা খেন্নবা করিসু লৈতে। লমদমসিগী লাইরিক লাইশু খঙলে হায়রিবা অখঙ অহে কয়ানা ইমুংদা মীদিয়াদা থারকপা কয়াবু নৈনদুনা লৈরি। থোঙজিন ৱাংমদি কাম্থোকপা ঙমদে। মসিনা করিগীনো? শিরমদাই য়ৌবৈ খঙদবরা? ঐখোয়সি করম্বা ফিভমদা লৈরি। ইরমদমসিদা করি থোক্লি, করম তৌসিগে হায়বগী ৱাখল তৌদবা, মীতৈ মচাগী অশেংবা ঈদি ওইরম্লরোই। নুপীনা খোংগ্রাও শেৎপা, নুপানা ফনেক শেৎপগী ফীভমদা লাক্লব্রা? লায়রবা মচানা নোংমৈ, বোম মরক্তা, ইনাকখুনবা মচানা নুংঙাইনা ফমুংদা য়াতারি। ভোট লেপ্তুনা কাখিবা অমদি মীহুৎতুবু শৌগৎতুনা কাহনখিবা মাগী মাগী এ সীগী মীয়ামদা ৱাফম অমত্তং নীংশিংজরি।

নুমিৎতুগী, পুংজাদুগী, মিনটতুগী, সেকেন্দদুগী মীয়ামগী থম্মোয়না নুংঙাইজখিবদু করি হায়গনি। ঐগী মীৎনা উজখি। থাবল চোংবনা চোংবা, ঈশৈ শকপনা শকপা, লীলা তৌবনা তৌবা, মীয়াম্না কয়াদা নুংঙাইখ্রবা। ঙসিগী লানফমসিদা মায়োক্লগদবা অসি ঐখোয়না খনখিবা মীহুৎশিংনা থেংনগদবনি হায়বসি খঙবীব্রা? মীহুৎ হায়বদি ঐখোয়গী এ সীগী মীয়ামগী মীহুৎ শিন্নবগী থৌদাং অদু মঙোন্দা শিন্নরিবনি। মখোয়দা শিন্নরে হায়দুনা মীহুৎশিং অদুনা মীয়ামগী ৱা তাদনা অরুবা করিগুম্বা থবক অমত্তা পাঙথোকপা য়াদে। মীয়াম্না য়াম্না নুংঙাইনা, হরাওনা থাগৎখিবা ৱায়েলশঙগী কেস চেন্নবা মীওইশিংনা লৈবাক সাসন তৌহল্লুবনা লমদমসি মোংফম ওইরক্লি। ঐখোয়না লুপা ২০০০ লৌরুবা, চাক, চা, ক্বা, জরদা, য়ু, নম্বর ফোর, এস পি টেব্লেট, ঙা, য়েন, হুই, হৌদোং, ষণ, ওক পূম্মক ওথোক্লিংবা ফাওরম্লমগনি খঞ্জে। ঙসি ফংলিবা অৱাবসি ঐখোয়ননি, লাল্লিবদি ঐখোয়নি।

মীয়াম হাৎকে খনবা মীওই অমত্তা ভোটকী মীরেপ ওইগে চোংথোরক্কনু। শিরিবা ময়ামসিগী থৌদাং কনানা ওইগদৌরি। মরন্নাই তাগদৌরিব্রা? লুপা লাখ ১০ পীগনি হায়বদুনা মরম ওইরগা ঈংনা পোত্থাবীরিব্রা? থৱায় অমগী মমল লুপা লাখ ১০, মীয়াম্বু করি খল্লিবগে? মণিপুরদা ইচানুপা অমা পোকপগী মমলসি লুপা লাখ ১০নি খল্লসিরা? য়োল্লসিরা কৈথেলগী লুকমাইদা। ইন্দিয়াগী কৈথেল খুদিংদা য়োন্থোকপীরো। ইচানুপা অমগী মমল লুপা লাখ ১০দা। লমদম অসিগী মমাশিংদি মচা য়োন্দুনা হিংবা নুপী নত্তে। মীনম্বা, অরানবা তৌবা কয়াবু চপ চাবা, অহকপা চৈরাক পীবা ঙম্বী মমা ঙাক্তনি। ঙসি মমাশিংগী থম্মোয়দা ওমদুনা চাক্লিবা মৈচাক অসি লেম্না খক মাঙগনি নীংগনু। মচা কয়ানা মৈরি অসিগী মৈশা করম্বা মতমদা কোক্কদগে?

মীয়াম খঙহন্দনা অরানবা থৌওং ময়াম অমা তৌরম্লিবা লৈঙাকশিংনা কুকিদগী মতেং করি লৌরুবগীনো? মীতৈ ঐখোয়গা তান্নদুনা তুংগী ৱাখল খন্থরগা থবক পায়খৎকদবা নৎত্রা? মীতোপকী মতেং পাংলুবনা লৈবাকসিদা ঙসি থোক্লিবা থবক থৌরম অসিবু করম্না অফবা মায়কৈদা পুরকপা ঙমগনি। রমায়নগী ৱারী অযোধ্যা লৈবাক্তা দশরথ নিংথৌনা কৈকেয়িদা বর অনী পীগনি ৱাশকপদগী লৈবাক অদু কাং-খোং চাইখি। মীনায়নুবী মন্থরানা ইনশিন্দুনা দশরথকী মচানুপা রামচন্দ্রনা চহী ১৪ বোনদা অদুগা কৈকেয়িগী মচানুপা ভারতপুনা নিংথৌ ওইহনবীয়ু নীখি। বর অনীদুগী মতুংইন্না অযোধ্যা লৈবাক করি ওইখি। মীয়াম পূম্নমক খঙনরবা ৱাফমনি।

ঙসি ঐখোয়না থেংনরিবা অসিমক রমায়নগী ইতিহাসকা চপ মান্নরি। ঐখোয়গীসু হন্দক্কী থৌদোক অসি মণিপুর হায়রিবা লমদমসিনা লৈরিবমখৈদি কাউবা য়াররোইদবা, মূৎপা নাইররোইদবা তমথীরবা থৌদোকনি। সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ম্যান্মারদগী লোন্না চংশিল্লক্লিবা রিফ্যুজিশিং হলহনখিনবা হায়রবসু মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টরনা মৱা লৌখিদ্রে। রিফ্যুজিশিং চংজফম পীবগনি ‘গ্রেটর মিজোরাম’ গীদমক মণিপুরগী মিজোশিংগা পূন্না আর্টিকল ৩গী মতুংইন্না চঙশিল্লক্কনি হায়রি। মীদিয়াদা হায়রিবা ইরিবা কয়া অসিবু পারগা অমদি তারগা ঐখোয়না তূমিন্না অসুম য়েংদুনা লৈরসিরা? মীতৈ ঐখোয়গী লম্বীদি লো নত্তনা করি করম্বা পাম্বে লৈরিবগে? ঐখোয় পূম্নমক আইন্না কোইশিন্দুনা হিংলিবনি। অচুম্বা পুথোক্কদবা আইন নত্তনা অতোপ্পা লম্বী লৈররোই।

প্রাইম মিনিষ্টরদি মীতৈগী অশোয়বদা ৱাহে খরা ঙাঙলম্বনা লোইখ্রবমাল্লে। কুকিগী অরানবা, অশোয়বা কয়াদদি মমিৎ উদে, মনা তাদে। মীতৈ ঐখোয় লোইনা শিখ্রবসু মখোয়দা করিসু মাঙজবা লৈতে। সেন্ত্রেল ফোর্স লৌথোক্লবসু মীয়াম্না হোৎনসি। গেজেট কক্লবসু মীয়াম্না হোৎনসি। সু মূত্থৎনবসু মীয়াম্না হোৎনসি। অপূনবা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা লৈঙাক্কী অরানবা খুদিংমক থেংনবনা য়াইফবা ওইগনি। ঐখোয় মীতৈসি থবক খুদিংমক্তা য়াম্না চেকশিন্দবা মওং অমসু উরি। অফবা ৱাখল খন্দুনা, পুকচেল শেংনা ঐখোয়গী নুংশিজরবা ইমা লৈবাক কন্ননবা হোৎনমিন্নসি। ইমা লৈবাক্কী নুংশিজরবা অহল-লমন, ইচিল ইনাও খ্বাই পূম্নমকপু অইবীনা কোক নোঞ্জরি, খুরুমজরি। ইমা লৈবাক্কীদমক ঐখোয় পূম্বা হিংলিবনি। ●

# ষ্টেট অমদি সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা কয়াম কুইনা য়েংদুনা লৈখিগদগে? - ১

## (ঐখোয় খুদিংমক্না তুং-কোইনা চৎনগদবা পাম্বে অমা থিদোক্তুনা নাকল অনীমক্না য়ানবা পোলিসি অমা লৈহৌনবা হোৎনবা মথৌ তারি)

- সলাম প্রশান্ত -

তপ্না তপ্না ঈং-তপ্পগী লম্বীদা লাকই অদুবু লাক্লিবা ঈং-তপ্পা অসি কয়াম কুইনা তুং-কোইগদগে হায়বা অচৌবা ৱাহং অমদি মীপূম খুদিংমক্না হংনরি। মীয়াম্না পাম্বদি তুং কোইনা চৎনগদবা নাকল অনীমক্না য়ানবা লৈমিন্নরিবা কাঙলূপ অমত্তদা অকায়বা পীরোইদবা অমদি করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মণিপুরগী য়ুনিটি অমদি দাইভর্সিটিদা শোকহন্দবা, লৈরিবা অপূনবা লৈঙাক অসিদা কায়দনবা পোলিসি অমা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা শেমদুনা অসিগুম্বা থৌদোকসি অমুক হন্না থোকহন্দনবা অশানবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা পায়খৎহৌবা মথৌ তারি। সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি ঐখোয়গী হৌজিক লৈরিবা লেজিসলেচরশিংনা মণিপুরগী হিষ্ট্রি মশক খঙনা অমদি মীয়ামগী ঈহুল মশক খঙনা থবক তৌবা মথৌ তাই। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা য়ান-য়ানবা তৌবগী মওংদা চত্থরবদি মসিদগী হেন্না শাথীবা থৌদোক কয়া লাক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। ঐখোয় খুদিংমক্না অশেংবা অচুম্বা লৌনম-চীরোল য়াওদনা থৈদোক-থৈজিন তৌদনা হৌজিক লৈরিবা ইস্যু অসিখক্তদা মীৎয়েং থমদুনা ইস্যু অসি তুং কোইনা লোইশিন্নবা ঐখোয় খুদিংমক্না থবক তৌবা মথৌ তারি।

হৌজিক লৈরিবা ইস্যু অসি সেন্ত্রেল গভর্ণমন্টেনা য়াম্না হৈশিংনা মণিপুরগী হিষ্ট্রি মশক খঙনা থবক তৌবা ফৈ খল্লি। সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা নাকল অমগী ওইবা মানবা মীৎয়েং অসি হোংদোক্ত্রিবমখৈ মণিপুরদা ঈং-তপ্পা পুরকপা ৱাখিনি খল্লি। ঐখোয়গী লেজিসলেচরশিংনা ইস্যু অসিদা সেন্ত্রেলগী লুচিংবশিংবু কনভিন তৌবা ঙমদবা মানবা মওং অমদা লৈরিবসি হোংদোক্তুনা অথুবদা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা মায়কৈরোমদা কোক থাদবীয়ু। মীয়ামগী ইহুল খঙনা মতিং ফুদোক্তুনা কাঙলূপ অনীমক্কী মীয়ামদা লৈঙাক অমা লৈরি হায়বা উৎতুনা ঈরাং অসি থুনা লোইশিন্নবা হোৎনদুনা মীয়ামগী অৱাবসি অথুবদা কোক্লবা হোৎনবীয়ু।

হৌজিক ঐখোয় খুদিংমক্কী মাঙদা তারিবা মরু ওইবা থৌদোকসি ঐখোয় খুদিংমক্কী অপাম্বা দিমান্দশিংনা তুংদা থমদুনা অথুবদা ঈং-তপ্পা হঞ্জিনহনন্দুনা হান্নগী পুন্সি মহিংদা তংদু লৈতানা হিংজনবা হোৎনবসিনি খল্লি। ঐখোয় সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী য়াকা য়েংদুনা লৈরবদি ঐখোয় মশেল মসিদগী হেন্না ৱাবা ফীভম অমা মায়োক্লরকপা য়াই। মসিদা মরু ওইনা হান্নদগী লৈমিন্নরক্লবা কুকি ইচিল-ইনাওশিংগী লৈরিবা থিঙ্ক-টেঙ্কশিংনা চমজরবা চীংদা হিংলিবা মীচম মীয়াম অমদি সুদা লৈরিবা কুকি লালহৌবশিংবু অশেংবা অচুম্বশিং নীংথিনা খঙহন্নবা হোৎনদুনা ঈং-তপ্পগী লম্বীদা লাক্লবা হোৎনবগী মতম থেঙমল্লে খল্লি। মখোয় খরগী অপাম্বদুনা চমজরবা কুকিশিংবু হেন্না অৱাবা ফীভম অমদা লাকহন্নবা হোৎনদবদি ফৈ খল্লি। মখোয় খরনা মশাতগী ওইজবা থিদুনা হু কামশিল্লম্লগা দেল্লীদা চেন্দুনা অনৌবা ফম পায়দুনা নুংঙাইনা লেন্দুনা লৈরগা চমজরবা মীয়ামনা রিলিফ কেম্পতা অমদি অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা লেল্লিবা অমদি লেলহল্লিবা নখোয়বু য়োকপীদুনা থম্বীরিবা মৈতৈশিংদা ওনশিন্দুনা মখোয়গী দিমান্দ ফংগনি খল্লিবা ৱাখলদু হোংদোকপা মথৌ তাই। কুকিশিংনসু অচুম্বা অশেংবসি খঙদোক্লবা হোৎনদুনা নখোয়গী অশেংবা ঈ চুপখিবসি কনানো হায়বসি খঙদোক্লবা হোৎনবা মথৌ তাই। গভর্ণমেন্টনসু এদমিনিষ্ট্রেটিভ কনভিনেন্সকী য়েংদুনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট, ফেরজোল দিষ্ট্রিক্ট অমদি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট শেমদুনা চীং তম চাওখৎনবা হোৎনরি। লায়রবা মীয়ামগী ৱেলফ্যের স্কিমশিংগী কান্নবদি নখোয়গী এম এল এশিং, নখোয়গী আই এ এস ওফিসরশিং, আই পি এস ওফিসরশিং অমদি নখোয়গী চীংগী লুচিংবশিংনা লোইনা হাইহৎতুনা ইম্ফালদা অমদি মণিপুরগী ৱাংমদা ফ্লেট লৈদুনা নুংঙাইনা লেল্লি হায়বসি মুন্না খন্থবা ফৈ খল্লি।

ঐখায় কয়াম শাংথনা লান শোক্লদুনা লৈখিগদগে? সেন্ত্রেল গভর্ণমন্টেকী য়াকা য়েংদুনা নখোয়গী দিমান্দ ফংদ্রিবা ফাওবা মৈতৈশিংদা হাৎকনি, লম মুনগনি খন্দুনা লৈরিবমখৈ ঈং-তপ্পদা লাকপা খক ঙল্লোই। নখোয়বু চংজফম পীরিবা নখোয়গী মপি-মপা ওইরিবা মীতৈশিংদা শীংনরিবমখৈ নখোয়গী দিমান্দ ফংগনি হায়বসিদি খরা লুনা থোক্কনি। মীতৈ ইপা ইপুশিংগী মথৌনা মরিংজেলনা ঙাক্তুনা থল্লিবা ইমা লৈবাক মণিপুরগী শক্তম মীতৈশিংনা হিংলিবমখৈ শৈদাংবশিংগী পেন্নবা মচেৎ অমফাওবা থুগায়বা হায়বসি ওইথোক্লোই হায়বসি মণিপুরদা হিংমিন্নরিবা কাঙলূপ খুদিংমক্না মসি খঙনা চৎমিন্নবা, হিংমিন্নবা মথৌ তাই। সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনসু নাকল অমা পেন্নবা হায়দুনা মণিপুরগী লৈঙাক অনী থোক্লবা শিন্দবা ফৈ খল্লি।

মীতৈ হায়বা ফুরুপ অসি হিংশা পামদবা ফুরুপনি অদুবু শীংনরক্লবা মদু য়েংদুনা তূমিন লৈয়ু য়াদবা নোংশাদগীসু হেন্না কনবা শাথীবা ফুরুপ অমনি হায়বসি সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা অমদি লৈমিন্নরিবা হিংমিন্নরিবা কাঙলূপ খুদিংমক্না খঙবা ফৈ। মসিমক্তনা নুমিৎ তাবা নাইদে হায়নখিবা বৃটিশ এম্পায়রগা ইমা লৈবাক্কীদমক লান্থেংখ্রিবনি। নুমিৎ তাদে হায়রিবা বৃটিশ এম্পায়রগী মতম অদুদা ইন্দিয়াদা পানখিবা অচৌ অচৌবা নিংথৌশিংনা ফাওবা হাৎপা ঙমখিদবনা বৃটিশকী মকোক থোংবা ওফিসর মঙাবু কংলা উত্রা মমাঙদা হাৎপা ঙম্বা ইমা লৈবাক্কীনিবু হায়রবদি শিবা কিদবা কাঙবুনি হায়বসি ঐখোয়গী হিষ্ট্রিনা খুদম চাংদম ওইদুনা লৈরি। মিষ্টর গ্রিমৱুদ, পোলিটিকেল এজেন্ট, মিষ্টর জে দব্লিয়ু ক্বিন্টন, চীফ কম্মিস্নর ওফ অসাম, মিষ্টর কোসসীল, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি টু দ চীফ কম্মিস্নর, ৪২ গোর্খা রেজিমেন্টকী লেফটিনেন্ট কর্নেল স্কিন, ৪৩ গোর্খা রেজিমেন্টকী লেফটিনেন্ট সিম্পসন লৈবাক মীয়াম্না য়াদ্রে হায়দুনা মণিপুরবু শীংনবগী মীয়াম হাৎপগী নুপী অঙাং কিহন খংহনবগী কোনুংদা লান্দাবগী কংলা উত্রা মমাঙদা মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না হাৎখিবা অদুগুম্বা থৌনা ফবা ফুরুপনি ঐখোয়। ঙসিসু মৈতৈ হায়বা ফুরুপ অসিনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমগীদমক্তা লেপ্লি হায়বসি হিংমিন্নরিবা লৈমিন্নরিবা কাঙলূপ খুদিংমক্না মসি খঙবা মথৌ তারি। ●

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭০

১) ‘‘**খন্থ খন্থরুরগা নুংঙাইরকপা**’’ হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) ‘‘**য়ুরাংফম**’’ (২০১১) হানা মীংথোনবা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) ‘‘**লম্বী অমদা**’’ হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

৪) ‘‘**হে ইমা পোক্লফম লমদম ও / পলেম-পোকপী পলেম ও / য়েংঙমদেনে নঙগী ৱারবা নতৌ / উঙমদেনে নীংবা কায়রবা শক্তম /**’’ শৈরেং মতেক অসি মণিপুর মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি, অইবা অসি কনানো অমসুং মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তগী লৌথোরকপা শৈরেং মতেকনো?

৫) ‘‘**নোংথাঙনা মুৎখ্রবদা**’’ হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ‘মীতৈনি হায়বদা ইকায়জরক্লে’

- সোরোখাইবম ইমোচা -

মে ৩, ২০২৩দগী থোরক্লিবা লান অসিগী মখা চত্থরকপদা মীতৈ ঐখোয়গী নাকলদা মীশি মীনাগী চাং হন্থরক্লে হায়দুনা ৱাখল অসি খরা নুংঙাইবা হৌরকপদা ঙাইরিঙৈদা মে ১৫দা মরিং নুপী অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বগী থৌদোক্না ঐখোয় খুদিংমক্কী থম্মোয়দা পেন্দবগী মৈচাক্না চাক্তুনা মায়কৈ কয়াদা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা মীহাৎ অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা খোল্লাও কয়া লাউরিঙৈ, য়াম্না ৱানা লৈঙাক, য়ু এন সী অমদি কোকোমিগা পূন্না ফম্মিন্নদুনা য়ানবা অমা য়াম্না ৱানা পুরকপদা ঙাইরিঙৈদা কুকি নুপী অনীদা চৎখিবা চৎহৈদবা লীচৎ অমগী ভিদিওনা ভাইরেল ওইরক্তুনা থা অহুমলোম মরোল থোক্তনা মণিপুরদা থোরক্লিবা লান অসি য়েংদুনা লৈরকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর মরোল থোকহল্লকখ্রে। মমাঙঙৈদগী মীতৈদি নুপী অঙাংদা খূৎ থারক্তে হায়বসি পুৱারীনা খুদমনি।

ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা মতৈ মনাও খৎনবমক ফাওবা মপুরোইবনা মাগী নুপীদা খূৎ থানরমদে। অদুবু মতমগী মতুংইন্না চাওখৎলকপগী অমদি মীশিং য়ামখৎলকপগী মতুংইন্না নুপী ফূবা হাৎপগী থৌদোক কয়া থোক্লকখি। নীলম পঞ্চভায়া, তস্ফাস্না, লুংনিলা ইলিজাবেথনচিংবা নুপী অঙাং কয়াগী থৱায় পিখম্নখ্রে। অদুবু লুসিগী মীহাৎসিদি করি মরমগী হাৎলিবনো, থোক্লিবা লানসিগা মরী লৈনবরা লৈনদবরা, মীহাৎপশিংনসু ফোঙদোক্তে, পুলিসনা অমদি মীদিয়ানসু শেংদোক্তে। মীওই খরনা হায় মহাক ৱাখল মীমান্নদ্রবীনি অদুনা মাগী মফম অমদা হংগৎ হন্দা চৎচবদা কুকিগী পাউ পীবা মী ওইরবোই খন্দুনা হাৎখিবনি। অচুম্বদুদি মতমনা ৱায়েল চত্থরবা মতুংদা খঙলকপা ওইরসনু। মহাক্কী মীহাৎ অসিনা ঐখোয় মমাঙঙৈদগী নুপী অঙাংদা খূৎ থারক্তবা, নুপীবু ইকায়খুম্নবা, চংজরকপা মীবু কনবীবা, ঙাকপীবা ঙম্বা পুকচেল চাওবা কাঙলূপনি হায়দুনা চাউথোকচরুবদু অরেম্বদা তাহল্লি। মহাক্কী মীহাৎ অসিনা লানগী খোঙজংদা খুরৌ থাংহল্লি, খোঙজেল তপহল্লি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা মে ৪দা থোকখিবা কুকি ফুরুপকী নুপী অনীদা মীতৈশিংনা চৎথখিবা চৎহৈদবা লিচৎ অমগী ভিদিওনা ভাইরেল ওইরক্তুনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা থা অহুমলোম মচিন ফোৎচিন্দুনা লৈরুরগা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম অহৌবদা মণিপুরগী মীয়াম্বু মরু ওইনা মীতৈশিংবু লৈবাকসিগী মীয়ামদা য়াম্না চাওখৎতবা কাঙলূপ অমগুম্না ঙাঙলকপা তাবদা থৱায়সি অসুক্কী মতিক নুংঙাইতে, অসুক্কী মতিক শোন্থহল্লি।

থা অহুমলোম অসিদা ইরমদম কন্নবগীদমক থৱায় থাখ্রবা ইচা ইনাওশিংগী কৎথোক্লম্বদু ভিদিও অসিনা লৈখা তানা চিংথখ্রে। ইশাসি হৈনীংবা অমত্তা ফাওদে অদুগা শাওবসু য়াম্না শাউনীংই। থা অহুমলোম মচিন ফোৎচিন্দুনা লৈরুরগা ভিদিওদু উরুরগা ঐখোয় মীতৈবু কয়া থিনা হায়রকখ্রবা। ইন্দিয়াগী মীওই ক্রোর ১৪০বু মণিপুরগী থৌদোকসিনা ইকায় ফিরুক্লহল্লে। অসিগুম্বা থৌদোক অসি মণিপুরদদং থোকপা অতৈ ষ্টেটতদি থোক্তবদৌনা ময়ামদা উহল্লি।

ফুলন দেবীগী ৱাথোক মীয়াম্না হেন্না খঙনরিবদুনি - ঠাকুর কয়ানা ঈজৎ মাঙহনবীরবা মতুংদা মফি থোংদনা গুহাদগী ঈশিং শোকহনবা, কোন্না ফুলন দেবীনা দাকু ওল্লক্তুনা ঠাকুরশিংদুবু হাৎখিবা, কোন্না এম পি ফাওবা ওইরম্লগা মীনা হাৎতুনা শিখিবা। দেল্লীদা অচেনবা বসতা পেরামেদিকেল তম্বী নুপীমচা অমা মীওই মঙা/তরুক চঙদুনা ইকায়খুম্নবা মাঙহল্লগা বসতগী লংথোক্লমখিবা, কোন্না লায়েংবা ঙমদনা শিখিবা, অতোপ্পা ষ্টেটতা গেঙ রেপ তৌখিবগী পাউ কয়া কয়ানি। মসিদা নত্তনা মণিপুরদা মীচম ঙাক্লবা লাকখিবা ইন্দিয়াগী সিফাইশিংনা চীংমী অমদি তমগী নিঙোল কয়াগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনখিবা ময়াম্না খঙনদুনা লৈরবনি - উখ্রুলগী রোজ, অহনজাওবী, থাংজম মনোরমানচিংবা কয়ানি।

হন্দক প্রাইম মিনিষ্টরনা থা কয়া তূমিন্না লৈশিল্লুরগা ভাইরেল চৎলবা ভিদিওসিদা মাগী অশাউবা ফুদোরকপা মরম চাদে। থৌদোক অসি করিদগী থোক্লকপনো হায়বগী ৱারুদি থিদোক্কে খন্দনা অমদি ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা হোৎনদনা ঐখোয় মীতৈবু লৈবাক মীয়াম মমাঙদা য়াম্না চাওখৎতবা কাঙলূপনি ফোঙদোরকপা পেঞ্জদে। খরনা হায়নরি কুকিনা মে ৩-৪দা পাঙথোকখিবা মথোং হুক্তবা থবকশিংদুনা অসিগুম্বা থৌদোকসি থোকহল্লকপনি। অদুবু লুরিবদি মখোয়না তৌখিবা থবক্কী ভিদিও লৈতবা নৎত্রগা খোমজিনবা ঙমদবা অদুগা ঐখোয়গী ৱাখল তাদবা নহাশিংনা মখোয়না তৌরুবা মথোং চাদবা থবক্তু অপলোদ তৌরুবা? মণিপুরদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্না ভাইরেল চৎলবা ভিদিও অদুগী থৌদোক্তুবু থম্মোয় শোক্লা য়ানীংদে। কুকিশিংনা মথোং চাদবা থবক তৌই হায়দুনা ঐখোয় মীতৈনসু তৌগদবা নত্তে। কুকিনা তৌবা ফত্তবা মথোং চাদবা থবক মখৈ ঐখোয়নসু চপ মান্ননা তৌগনি হায়রবদি মথোং চাদবা কুকিগা ঐখোয়গা করি খেন্নরিবা? অদুবু হৌজিক্তি থোকখ্রিবা থৌদোকসিনা ঐখোয় মীতৈবু ইন্দিয়া অমদি মপান লমগী মীওইশিংনা য়াম্না চাওখৎতবা শা-ঙাগী লীচৎ চৎপা মীওইনি হায়না লৌখ্রিবা সিমদি পাক কোল্লরোইদবা থৌদোক অমনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্তগী হেন্দোক্তুনা সুপ্রিম কোর্টনা ফাওবা সুও মোটু কেস লৌখৎখ্রবসিনি। থা অহুমলোম অসুক ৱানা হোৎনদুনা থৱায়না পোন্থা পীদুনা মণিপুরগী ঙমখৈ ঙাক্তুনা থম্নবা হোৎনরকখিবা পূম্নমক ভিদিও অসিনা লোইনা মাঙহনখ্রে। ইমা ইবেল, সী এস ওশিংগী থৌপুবশিং অমদি মীতৈ পূম্নমক্কী মায়থোঙদা তারিবা অৱাবগী শকফমসি উরুবদা ইশাসি খংশোন শোন্থবদা নত্তনা হৈনীংবা অমত্তা পোক্তরে, ইশা ইথন্তা - মীতৈনি হায়বদা ইকায়জরক্লে। অসিগুম্বা মথোঙ হুক্তবা থৌদোকসি মসিনা অরোইবা ওইহল্লসি। ●